# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-03-2026)**

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মনিপুরদা পায়খৎলিবা রেলৱে প্রোজেক্ট মতম চানা লোয়শিনবা ঙমবা রাজ্য সরকারনা পাংবা য়াবা তেংবাংশিং পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি।

ৱাফম অসি নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার কন্সত্রক্সন (মালিগাউন) জেনরেল মেনেজর-আশিশ বন্সলগা মুখ্য মন্ত্রিগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নরবা মতুংদা ফোংদোকখিবনি। উন্নবা অদুদা শ্রী বন্সলগী কাংবু অদুনা মনিপুরদা পায়খৎলিবা রেলৱে প্রোজেক্টকী হৌজিক ফাওবগী ওইরিবা ফিভমদা মতাংদা মরিক চুমা পাউদমখি। রেলৱে লাইন অসিনা ইম্ফাল য়ৌরবক্লবদি রাজ্য অসিগী চৎথোক চৎশিন ফগৎহনবতা নত্তনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদসু চাউনা মতেং ওইরগনি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমনাম খেমচান্দনা ইন্দিয়ান ওইল এ.ও.দিগী ইগজক্‌িকিটিব দাইরেক্তর অমদি ষ্টেট হেদ-নিতিন ভতনাগরনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগসু মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটদা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্তুনা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ইনর্জি অমদি শেন্মীৎলোনগা লৈনরিবা মরী অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

**মীফম(এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি। মীফম অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

মনিপুর বিধান সভাগী সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা প্রোভিজনেল কেলেন্দরগী মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং তরেৎ লৈগনি। মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওবিচুৱরি রিফরেন্স, বি.এ.সিগী রিপোর্ট পুথোকপা, শেনবা চহি

২০২৫-২৬ কী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস, ২০২৬-২৭ কী বজেট পুথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা রাজ্যপালনা পীখিবা ভাষনসু খন্ন-নৈনগনি।

থা অসিগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ভোটিং ওন দিমান্স ফোর গ্রারন্টস সভাদা খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

**য়াওশঙ (এল)ঃ** মণিপুরদা নুমিৎ ৫ নি চথুরকপা য়াওশঙ কুম্মৈ ঙসি লোয়শিল্লগনি। ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দদদা হলঙ্কার পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ মঙানি চথুরকপা য়াউশং কুম্মৈ অসি শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিংনা মপুং ওইনা পাঙথোকখি। নুমিদাংগী মতমদা থাবল চোংবনা কুম্মৈ অসিগী শক্তম অমসু ওইরি।

**পুলিস(এল)ঃ** ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ এন.আর.এফ.এমগী এক্তিব কাডর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই অদু চুরাচান্দপুর জিলাগী জেনহাং লমকাদগীনি। হৌজিকনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইনি। মহাক্কা লোয়নরকপা পোৎলম খরসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফংখি।

অমরোমদা, পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু.এন.এল.এফ) গী এক্তিব কাডর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই সাজোর লাইরৌ পুখ্রি মপানদগীনি। তুংদা, মহাক্কা লোয়নবা মীওই অমসু খ্রাই চাইথবী লৈরক মচিনদগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমগা লোয়নননা ফাখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইথিং খোলা প্লে গ্রাউন্দদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী এক্তিব কাডর অমা অমদি পি.এল.এগী এক্তিব কাডর অমা ফারে।

মখোয় অনিনা হায়দোরকপদগী ইথিং প্লে গ্রাউন্দগী তকমুরোম থংবা নাকলদগী ঐচ.কে. থারতি থ্রি রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইজ অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

**উপ রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন ঙসি মিজোরামদা চৎকনি। শ্রী রাধাকৃষ্ণন অৱাং নোংপোক লমদমগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নাগালেন্দদা থুংখিবনি।

নাগালেন্দদা ঙরাং পাঙথোকপা নাগালেন্দ য়ুনিভরসিতিগী ৮ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-চহি ১০ রোম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎপা অমদি শান্তি পুরকবগী লন্মীরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-মহাকা হায়-নাগালেন্দগী নহাশিং জাতিগী থবক থৌরমশিংদা য়াওশিন্দুনা লৈবাক অসিগা অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াগদবনি। নাগালেন্দ চাউখৎহনবা হায়বসিনা চাউখৎপা ভিক্সিত ভারত ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরবসু অমত্তা ওইবগী শক্তমনা লৈবাক অসিগী মপাঙ্গল ওইরি।

হন্দক সহি তৌনখিবা ফ্রন্টিয়ার নাগালেন্দ টেরিটোরিয়েল ইর্ন্টিগ্রীতিগী য়ান্ন-চেরোলগী মতাংদা পল্লদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-রাজ্য অসিদা মপুং ফানা চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমসুং অমগা অমগা তেংবাং পীনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৌউ শিংউ হায়বসিনা ভারতকী শেন মীৎলোনগী মপুং ওইবা মচাক ওইরি।

এগ্রীকলচর এন্দ রুরেল ত্রান্সফোরমেসন হায়বা থিমদা ঙরাং

পাঙথোকখিবা পোষ্ট বজেট ৱেভিনারদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৌউ শিংউ অসি ভারতকী তুং কোইনা চৎনগদবা চাউখৎপগী খোঙচৎকী মরুওইবা য়ুন্বী অমসুনি। ৱাখল্লোন অসিদা সরকারনা লৌউ শিংউগী সেক্তরবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। কিষান আই.দি. অমসুং দিজিটেল লেন্দ সর্ভেনা লৌউ শিংউগী লমদা অহোংবা পুরকপগী খোঙথাং অমা ওইরে।

শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা লৌউ শিংউগী সেক্তর অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি। লৌমীশিংগী খুদোংচানবগীদমক শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা মখা তানা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৌমী কাতি ১০ রোমদা পি.এম. পিষান নিধি স্কিমগী মখাদা কান্নবা ফংহনখ্রে। মসিগী মথক্তা পি.এম. ফসল বিমা য়োজনাগী মখাদসু কান্নবা ফংহনখ্রে। মহাকা হায়-ভারত অসি ঙাগী পোৎথোকপদা মালেমগী ওইনা অনিশুবা লৈবাক ওইরি।

**ৱেষ্ট এসিয়াঃ** নোংচুপ এসিয়াদা আমেরিকা অমসুং ইজরেলগী অপুনবা জোইন্ট ফোর্সকা ইরানগা শোকরিবা লান চয়োল অমা ফারবসু নাকল অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈত্রি।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়রি-ইরানগা হীরম অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই। মদুগী মহুৎতা লৈবাক অদুনা চংজরক্কদবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইরানগী রাস্ত্রপতি-মৌসাদ পেজেসকিয়াননা হায়রি-লৈবাক খরনদি নাকল অনিগী উংখৎনবা অসি ৱারী শাদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনরকপগী মমি তারি। মহাকা হায়-তুং কোইনা তংদু লৈতানা লৈনবগীদমক ইরাননা মতম পুম্বদা লেপলি। অদুম্মকপু মশাগী মরৈবাক অমদি অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপা খুদিংমক ঙাকথোকপা হায়বসিসু তঙাইফদবনি।

অমরোমদা, হৌজিক ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসিগী দায়ত্ব পুমমক

আমেরিকানা পুগদবনি হায়না ইরানগী মপান থৌরম মন্ত্রি-সয়েদ অভাস অরাকচিনা হায়রি।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ হয়েং অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ তা শান্নগনি।

আই.সি.সিগী মেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমনা অমুক হন্না ফাইনেল চংবা ভারতনা অহানবা ওইরে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা ছুতি ওইখিবদগী ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মনুংদা গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোং দিষ্টিক্টকী ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ব্রান্স অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা তমেংলোংদা চয়োল তরুক্কী ওইবা জন সম্বাদ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

গানফিয়ু মেলদা-অহুমশুবা হেদলাইনদনা-য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা সিভিল সাভির্সেস ইগজামিনেসন ২০২৫ দা মনিপুরদগী কেন্দিদেট তরুক খল্লে হায়বা পাউ অসি ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতনা-য়ু.পি.এস.সিগী ফাইনেল রিজল্ট হায়দোক্লে। পরিক্ষা থাখিবা মনিপুর মচা তরুক খল্লে হায়না হেদলাইন পীরি।

তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন অসি-মনিপুর এসেমব্লিগী বজেট মীফম মার্চ ৯ দগী হৌরগনি হায়বা পাউ অসি ফোংবা থেংনরে।

ইরান, আমেরিকা, ইজরেল লাননা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা রাসিয়াদগী

থাউ লৌগদৌরি হায়বা হেদলাইন অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহুমশুবা হেদলাইননি।